# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) তোরবুংদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে। মখা তানা থিজিন হূমজিনবগী থবক চত্থরি।

২) ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু জগোই ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা য়াওনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং ওমান লৈবাক অনিনা শেল থুমগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি লল্লোন ঈদিত তৌননবা য়ান্ন-চেরোল অমা ঙসি সহি তৌনগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী তোরবুংদা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা এফ.আই.আর অমা লৌখৎলে। মখা তানা থিজিন হূমজিনবগী থবক চত্থরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- মফম অদুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎলে। সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা মফম অদুদা পাক শন্না ওপরেসন চত্থরি। মফম অদুদা মণিপুর পুলিসকী দি.আই.জি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া চংশিন্দুনা ফিভম অদু য়েংশিনখি। কাংভাইদা চত্থখিবা ওপরেসনদা শান্না কাপ্পা য়াবা পোম্পী অমা, ময়াই ওইরপ শানবা পোম্পী মঙা,

কিলোগ্রাম অহুম লুম্বা আহ.ই.দি অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, কাপথোকখ্রবা নোংমৈ মরুগী তোকিং ১৭ ফংলে। আই.ই.দি অদু বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক থোকফমদা সেক্যুরিতি অকনবা ঙাকশেল থৌরাং পায়খৎপগা লোয়ননা ইরাং অদু লাকশিল্লে।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নমদুনা শেল খায়বা অমসুং আইন্না য়াদবা থবক চথবা থিংনবা কোম্বিং ওপরেসন পাক শন্না চথরি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না থিংখ্রবা খুৎলায় পায়বা লুপ সোরেপাগী মীওই অমা থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমদিং নাসিখোং লৈকাইদগী ফারে। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশমরগা জিলা অদুগী এল.এম. ব্লোক, য়াওলেন চেপু অমসুং লম্লাই চীংফৈ এরিয়াদা পুন্না একর ১৪০ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। খাঙপোকশঙ ১৬ মৈ থাদোকখ্রে।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ১৩৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোই অঙাম থোক্তনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা অকনবা ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎলে।

ওরেঞ্জ (এল)ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতসু জগোই ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবা য়াওনা নাৎকী ওইবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। হৌজিক অয়ুক অঙনবদগী থারোন ভিলেজদা কেভ অমসুং ৱাটর ফোলগী ওইবা থারোন এক্সপিদিসন হৌগনি। ইন্দোর হোলদনা ওরেঞ্জ সেমিনার পাঙথোক্কনি।

ঙরাংদগী হৌদুনা মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরকখিবা রোক ম্যুজিক সো ঙসি নুমিদাংৱাইম ফাওবা চথখিগনি। কোমলা থাবা মীওইশিংগী ওইবা তোঙান

তোঙানবা অথোহ অহেন চাংদমবা, ঈশিং অমসুং কংফালগী ওইবা স্পোর্টসকী এক্তিভিতিশিং, আর্ট অমসুং লিটরেচরগী কুম্মৈশিং পাঙথোক্কনি। মসিগী মথক্তা কেম্পিং অমসুং ত্রেক্কিং, ফোটোগ্রাফি, য়েলহৌ মশান্নশিংগী ওইবা কুম্মৈ য়াওনা আইবা অমসুং অখণ্ড অহৈ কয়াগী ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরমশিংসু চথরি।

নুমিৎ হুমি চথগদবা ফেষ্টিভেল অসি ঙরাং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবনি। রাজ্য সরকারগী তুরিজম বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিগী হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ সেক্রেতরি পি.কে. গোয়ল, এম.এল.এশিং-দিংগানলুং গাংমৈ, অৱাংবৌ নিউমাই অমসুং জামহেমলুং পানমৈ শরুক য়াগনি।

হয়েং অরোইবা নুমিৎতা ওরেঞ্জ ক্বিন খনবগী গ্রান্দ ফিনালে পাঙথোক্কনি। ষ্টেট লেবেল ইন্দিজিনস রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপকী ফানেল মেটচ শান্নগনি অমসুং কোমলা খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৌমী খনদুনা  মনা পীগনি।

মিতিং (এল)ঃ  দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌশল্যা য়োজনা (দি.দি.য়ু-জি.কে.ৱাই) টু পোইন্ট ওগী প্রোজেক্ট এপ্রুভেল কমিতি (পি.এ.সি) মীফম ঙরাং ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেতরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য সরকারগী আর.দি এন্দ পি.আরগী কম্মিসনার কম সেক্রেতরি সুমন সিংহ শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্টে এজেন্সি ২৫ গী প্রপোজেলশিং হন্না য়েংশিনখি। মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা মথং চহিগী মার্চ ফাওবদা ত্রেনিং লিশিং ৫,৫৬৫ শেন্থুং পীথনবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা তুরিজম অমসুং হোস্পিতালিতি, রিটেল, হেলথ কেয়ার, ফুড প্রোসেসিং, ব্যুতি এন্দ ৱেলনেস, সেক্যুরিতি মেনেজমেন্ট, ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং স্পোর্টসনচিংবা য়াওরি। মসিনা লমদম অসিগী নহাশিংদা থবক ফংহনবগী অমসুং স্কিল দিভলনমেন্টকী অচৌবা লম্বী অমা পীরগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি এলুমনাই এসোসিয়েসনগী ওফিসিয়েল ৱেব সাইট য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা ঙরাং হৌদোকখ্রে।

হোক্কি (এল)ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা রেড সিল্ড রাইজিং ষ্টার হোক্কি তুরনামেন্টকী ঙরাং মরিনি চনবা নুমিৎকী শান্নবদা অহানবা মেটচতা সাউথ ইষ্ট য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না য়ং কেয়ার পাইওনিয়র একাদমিবু পাঞ্জল ১০-২ দা থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতনা খোংমন ষ্টুদেন্ট ক্লবনা থৌবাল হোক্কি এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৮-২ দা থোইখি।

ওমান ঃ ভারত অমসুং ওমান লৈবাক অনিনা শেল থুমগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমদি লল্লোন ঈদিত তৌননবা য়ান্ন-চেরোল অমা ঙসি সহি তৌনগনি। য়ান্ন-চেরোল অদু লৈবাক অনিগী ওফিসিয়েলশিংনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ওমানগী নিংথৌ হৈথম বিন তারিখকী মমাং সহি তৌনগনি।

বিল ঃ সংসদনা ঙরাং সবকা বিমা, সবকী রক্সা বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অদু রাজ্য সভানা ঙরাং অয়াবা পীরকখিবনি। বিল অদুনা ইন্সুরেন্স এক্ট ১৯৩৮, লাইফ ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসন এক্ট ১৯৫৬ অমসুং ইন্সুরেন্স রিগুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিতি এক্ট ১৯৯৯ শেমদোক্কনি।

ভারতকী ইন্সুরেন্স কম্পনিশিংদা মপান লৈবাকশিংদগী হকথেংননা শেল থাদবা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্টকী চাং হান্না চাদা ৭৪ ওইরম্বা অদু চাদা ১০০ দা হেনগৎহন্নবা প্রস্তাব তৌরি। মসিনা চাওখৎ থৌরাং অমদি ইন্সুরেন্স সেক্তর য়াওনা পোলিসি হোল্ডরশিংদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। বিল অদুগী মতাংদা খন্নবদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- কেন্দ্রগী নরেন্দ্র মোদি সরকারনা ইং ২০১৪ দগী থবক পায়বা হৌরকপদা ইন্সুরেন্স সেক্তরদা শিংথানিঙাই ওইবা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙমলে। লৈবাক অসি চাওখৎহনবদা লল্লোন ঈতিক তৌরিবা অমদি লৌমী য়াওনা মীয়ামদা ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা

ফংহনবা তঙাইফদে। খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মীয়ামদসু ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা ফংহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়নসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

তোরবুং ফৌগাকচাউ ইখায়দা থোকখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা পুলিসনা এফ.আই.আর লৌখিবা, মীয়ামা য়ানিংদবগী খোঙজং চংশিনখিবা অমসুং ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল হৌদোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

তোরবুং, ফৌগাকচাউ ইখায়দা বোম য়াওনা চথ্থরকখিবা এটেক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা এক্সন লৌখৎতবগী মায়োক্তা মাইকৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোংদোকরক্লি হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী বেন্নর হেদলাইন পীরি। পাউ অসিগী মনুং চন্না থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এফ.আই.আর লৌখৎলে, খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে, মখা তানা থিজিনবগী থবক চথ্থরি হায়বা পুলিসকী ৱারোল, তেরোরিষ্ট এটেক অসিনা নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা য়াশিন্নবা পুরকপগী ৱাফম নাথৈনবনি হায়বা মৈতৈ এল্লায়েয়েন্সকী ৱারোল অমসুং কোকোমিনা থৌদোক অদ্বু য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউশিংনা সব-হেদলাইন পীরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইনদা শলাই এম.দি. সম্মরজিৎকী য়াওনা য়ুম মঙাদা ই.দিনা থিবা হুন্বগী থবক চথ্খ্রে হায়না ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা তোরবুংগী এটেক মতুংদা সেক্যুরিতিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। পম্পী গন য়াওনা আই.ই.দি ফাগৎখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা মহৈরোইশিংগী য়েংলগা একজাম অমদি ক্লাস থিংবীগনু হায়না মহৈরোই লুপ ৬ না আপীল তৌরি হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা তোরবুং এটেকপু মফম কয়াদা খোইশাওনরবা মীয়াম

থোরক্কুনা য়ানিংদবা খোঙজং চংশিনবা হৌরক্লে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি। কোওর্দিনেতেদ এটেকি, লৈঙাকা চুরাচান্দপুরদগী নোংমৈশিং ফাগৎকদবনি হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে হায়বসিনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তোরবুং এটেক্তা চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা এম.এল.এ-এম. রামেশ্বরগী ৱাফমনা সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা ১৮ শুবা ষ্টেট লেবেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোকখ্রে হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেন্তরনা মণিপুর ভাওলেন্সকী ইনক্বারিগী মতম মথং চহিগী মে ২০ ফাওবা শাংদোকখ্রে হায়বা পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউ ওইরি।

আই.দি.পিশিং লেমা বোক্সিং শান্নহনবা, তমহনবা য়াগনি হায়না মেরি কোমনা ফোংদোরকপা ৱাফম অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------